শিজদসু য়ারগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মীওইশিং নোংমাইজিং নুমিৎ নত্তবা অতৈ নুমিৎশিংদা অয়ূক্কী পূং ১০.৩০দগী নুংথিল পূং ৩ ফাওবা শিজ হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী টিকা থানবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা অতৈ অতোপ্পা লায়নাগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংসু টিকা থাবা য়াগনি।

চহী ৪৫দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা অপীবা ফোর্ম অমা মেনশিল্লগা টিকা থাবগী খুদোংচাবা লৌগদবনি। বেনিফিসরি খূদিংমক্লা টিকা থাবা লাকপদা অধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি হায়না শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসর্চ ইন্সটিট্যুটকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

টিকা থাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা সী আর পি এফকী কম্পোজিট হোস্পিটালদা ঙসি অয়ূক পূং ৯দগী নুমিদাংৱাইরম পূং ৫ ফাওবা টিকা থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর অমসুং নাগালেণ্ড সেক্টরগী মখাদা লৈবা সী আর পি এফকী ফ্রন্ট লাইন ৱর্কর ২৬৫ টিকা থাখি হায়রি।

রেল্লি লমথাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): চয়োল অমা চুপ্পা চৎথগদবা জন ঔশাদি দিভস-২০২১ গা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি সাইকল রেল্লি অমা লমথাখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা প্রধাণ মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔশাদি পরিয়োজনাগী পাউজেল পুবা রেল্লি অদু গভর্ণর ক্রোসিং ফাওরগা কৈশাম্পাৎ ত্রাফিক পোইন্ট, ৱাহেংবম লৈকায়, শামু মখোঙ, কংলা গেট, খোয়াথোং, লিলাসিং খোংনাংখোঙ তম্না লাক্লগা চীংমৈরোংদা লোইশিনখি।

ইষ্টর্ন ফার্মা দিভিজননা মণিপুর এদভাইভেঞ্চর এন্দ মাওন্টেন্ট বাইকিং এসোসিএসনগা খূৎশম্নদুনা রেল্লি অদু পাঙথোকখিবনি।

মীগী শরূ পোলাং অমা ফংলে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : মরামদা লৈবা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলস কেম্পকী ফেন্সিংগী অকোয়বা শেংদোকপদা মীগী শরূ পোলাং অমা থেংনখ্রে।

ঙরাং অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা মতমদা মীগী শরূ পোলাং অদু অসাম রাইফলসগী ফেন্সিং শেংদোকপদা থেংনরকপদগী মাও পুলিসনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা মাও পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.246296
US Dollar	73.340358
British Pound	102.140330
Australian Dollar	57.232894
Chinese Yuan Renminbi	11.334409
Japanese Yen	0.685993
Malaysian Ringgit	18.072000
Singapore Dollar	55.100977
South Korean Won	0.065150
Saudi Arabian Riyal	19.557429
Thai Baht	2.422964

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 30/01/21
VALID FRROM 22/01/21
HOME DELIVERY
CONTACT NO
KWAKEITHEL 9774616525 ,
6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401
& 7005352782
TIMING 08.00 to 10.30am
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 13-02-21
B/upto - 15-02-21
Stock 612
7am to 10am
M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU
B/upto-15-01-021.
V/from-06-01-021.
Stk-306. only home delevery.
Call - 7629966437.
Time - 8 to 2pm
JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto 28/12/20
valid from 27/12/20.
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 26/01/2021
VALID FROM : 22/01/2021;
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE), CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/ AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

ভি দি এফশিংগী পেন্দবশিং য়েংশিনগনি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী পেন্দবশিং লৈঙাক্লা মপুং ফানা খঙই অমসুং ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভমগী মতুংইন্না পেন্দবশিং য়েংশিল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ফোর্স অসিগী ১২শুবা ষ্টেট লেভেল রেজিং দে সেলেব্রেসনদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙবদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা ভি দি এফ পর্সনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু খঙবগা লোয়ননা মখোয়গী দ্যুটিগী মওং য়েংদুনা লৈঙাক্লা মখোয়গী ওনরেরিয়ম লুপা ৮৫০০দা হেনগৎলে, রসনগী শেনফমনা লুপা ২০০০দা হেনগৎলে। মণিপুরগী ওর্গনাইজেসনশিংগী মরক্তা লৈঙাক্তা কিহল্লগা মখোয়গী দিমান্দশিং ফংনবা হোৎনবগী থৌওং উই হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অসিগুম্বা থৌওং অসি থাদোক্কদবনি। দিমান্দ অমা ফংনবা নৎত্রগা প্রোটেষ্ট তৌবদা মথৌ লেপ্পগা অফবা অমত্তা পুরক্লোই।

চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসরশিংদা ভি দি এফ পর্সনেলশিংবু মখোয়গী লন্নাইগী থবক্তা শীজিন্নদনবা অমসুং মখোয়গী ঈকায়খুম্নবদা শোক্কদবা থবকশিং তৌদনবা আপিল তৌখি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মতম পুম্বদা অচুম্বা দিমান্দশিং থুংহল্লি, ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা তোঙানবা মীৎয়েং থমগদবা নত্তে। ষ্টেটকী শেল-থুমগী ফীভম য়েংলগা মতমগী মতুংইন্না মখোয়গী পেন্দবশিং শোয়দনা য়েংশিনগনি হায়না সী এমনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা মহুদ মিনিষ্টর ও হেনরি, লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জন, দি জ পি এল এম খৌতে, এ দি জি পি সী দোঙেল, ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী চীফ এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাই অমসুং মোর্নিং বেলগী পল্লিসর এল বসন্ত শর্ম্মসু দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ভি দি এফশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা মমেন্টোশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডেগা মরী লৈননা মণিপুরদসু দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা ৱিমেন্স ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২১ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): ফেদেরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া (এফ এফ এস আই)না ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডেগা মরী লৈননা মার্চ ৮দগী ৯ ফাওবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩০দা ৱিমেন্স ফিল্ম ফেষ্টিভেল-২০২১ পাঙথোক্কদৌরি।

নুপী ফিল্ম মেকরশিংনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম কয়া উৎকদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসি মণিপুরদসু ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট ৩দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট কের্পোরেসনগা খূৎশম্নদুনা পেলেস গেটতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি।

মার্চ ৮গী নুংথিল পূং ২ তাবদা পাঙথোক্কদৌরিবা হৌদোকপগী থৌরমদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল ডা. সিলারমনি চুংখামনা চীফ গেষ্ট, ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট সলাম রাজেসনা প্রসিদেন্ট অমসুং সঞ্জু বাচস্পতিময়ূমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱর্কিং ৱিমেন্স এসোসিএসন, আর্টস লীদরশিপ কাউন্সিল মণিপুর চেপ্টর, ৱিমেন্স ইন্দিয়ন চেম্বর ওফ কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসন অমসুং ফিল্ম সোসাইটি মণিপুরনা খূৎশম্নদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসনগী সেমিনার হোলদা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রো: এস সনাতোম্বীনা হৌদোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা ফিল্ম সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র কোংবমনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱর্কিং ৱিমেন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট প্রো: সুমিত্রা ফাঞ্জৌবমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা থৌরমগা মরী লৈননা প্রো: কে শান্তিবালানা ৱা ঙাঙগদৌরি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিং, ইমেজ টি ভি ককচিং, সিনে ক্লব ওফ খা-মণিপুর কোলেজ ককচিং অমসুং ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরনা খূৎশম্নদুনা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি।

মার্চ ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা হৌদোকপগী থৌরমদা পদ্ম রত্ন ইংলিশ স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বী কেঐচ সুদরিনা চীফ গেষ্ট ওইরগনি। ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র কোংবম, শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর দা. মখোনমনি মোংসাবা অমসুং লিবর্টি থিএটর ককচিংগী দিরেক্টর উত্তমকুমার নাওরেমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি। খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী প্রিন্সিপাল পি রঘু অমসুং লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী প্রসিদেন্ট পি শন্ফানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

এসেমব্লিগী তোঙান তোঙানবা কম্মিটিশিংগী চ্যেরমেনশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কুমজা ২০২১-২২গী ওইনা তোঙান তোঙানবা কম্মিটিশিংগী চ্যেরমেনশিং স্পিকরনা খনখ্রে হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটেরিনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কম্মিটি ওন পব্লিক একাউন্টসকী চ্যেরমেন ওইনা কারোং এ সীগী এম এল এ দি দি থাইসি, কম্মিটি ওন ইষ্টিমেটসকী চ্যেরমেন ওইনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অমসুং কম্মিটি ওন পব্লিক অন্দর টেকিংসকী চ্যেরমেন ওইনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনি হায়রি।

এন্টিসিপেটরি বেলদা লৈবা...

লামায় ১গী মখা... মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এস দেবানন্দগী মায়কৈদগী পুলিসনা মীওইশিং অসিগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা রেজিষ্টর তৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী মীওইশিং অসি এদিসনেল সেসন্স জজ (ফর্ষ্ট ত্রেক কোর্ট), মণিপুর ইষ্টতগী থা অসিগী ৮ ফাওবা এন্টিসিপেটরি বেল লৌদুনা লৈরক্লিবনি হায়বা ৱাফম কোর্টতা থমখি।

কেস অদুগী মতাংদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্দা হংবদা মীওইশিং অসিগী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর ৩৪ (২) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৪২০/৪৬৮/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়বা খঙলকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম য়মুনা অমসুং এক্যুইজশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এস দেবানন্দ অমদি আর কে গোপালগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা চপ মান্নবা মরমগীদমক মীওই তরুক অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস অনী থোক্লা লৌখৎলে হায়বগা লোয়ননা মীওইশিং অসি এদিসনেল সেসন জজ (ফর্ষ্ট ত্রেক কোর্ট), মণিপুর ইষ্টনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (এ বি) কেস নম্বর ১ ওফ ২০২১গী মখাদা থা অসিগী ২দা এন্টিসিপেটরি বেল পীখিবনা মরম ওইরদুনা মখোয়বু পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরক্লিবা ৱাফম অসি রিজেক্ট তৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক মীওইশিং অসিবু করিগুম্বা এন্টিসিপেটরি বেল পীরকখিবা কোর্ট অদুনা মখোয়গী বেলশিং অসি এবসোল্যুট বেল ওইহনখ্রবদি হায়রিবা বেল অসি পীবগী মতম মশানা শাংদোকখিগনি। করিগুম্বা কোর্ট অদুনা মখোয়দা পীরিবা এন্টিসিপেটরি বেল অসি কেন্সেল তৌখ্রবদি পুলিসনা মখোয়গী অপাম্বা লৈরবদি মীওইশিং অসিবু ফাবগী হক লৈগনি হায়বা ৱাফমসু ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখি।

এয়রপোর্ট দ্রগ কেসতা দেল্লীদগী মীওই ১...

লামায় ১গী মখা... ফাইল তৌরকখিবা চার্জশীটতা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) নম্বর - ৬২ ওইরিবনি।

মহাক্লা কোর্টতা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মহাক ন্যু দেল্লীগী জংপুরা ভোগালদা লৈবা এম/এস ফ্রেন্দস মেদিকেল হোলগী প্রোপ্রাইটরনি হায়খি।

কেস অসিগা মরী লৈননা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্লবগীদমক সী বি আইগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা ফংখি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুগী পাউখুম ওইনা মহাক্লা এপ্রিল ২২, ২০১৫দা সী বি আইদা অইবা চেরোল অমা পীবগা লোয়ননা মহাক্কী দুকান্দা য়োনবা অমসুং লৈরুবা হীদাক লাংথকশিংগী দোক্যুমেন্টশিং সী বি আইদা খূৎশিন্নখি হায়রি।

মহাক্কী চেরোল অমসুং দোক্যুমেন্টশিং অদু ককরদুমা দ্রগ ওফিসতা লৈবা সী বি আইগী ওফিসলশিংদা খূৎশিন্নখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মায়কৈদগী ৱাফমশিং অসি কোর্টতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সী বি আইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর আর সী - ৭/এস/২০১৩-কোলকটা অন্দর সেক্সন ২১, ২৫ (এ), ২৯, ৩২ এন দি এন্দ পি এস এক্ট অমসুং ১২০ (বি), ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১ অমসুং ৫০৬ আই পি সীগা মরী লৈননা শেমখিবা এগজিবিট খরগী মশকশিং মহাক্লা কোর্টতা তাকখি।

লোয়ননা মহাক্কী ফার্মাসিনা কৈদৌনুংদা রেষ্টপিফেদ টেব্লেটশিং লৈরুবা নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওই কাঙলূপ অমত্তদা য়োনখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মায়কৈদগী কেস অসিগী এগজিবিট নম্বর- পি/৩০১দগী হৌরগা পি/৩০৬ ফাওবগী মনুংদা পল্লিবা দিসেম্বর ২০, ২০১২ অসি নত্তনা মহাক্লা রেষ্টপিফেদ টেব্লেট হায়বসিগী মমিং তাখিবা লৈতে। এগজিবিটশিং অদুদা পল্লকপদগী ইহান হান্না খঙবনি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা ৱাফমশিং অসি কোর্টতা ফোঙদোকপগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈনবা এগজিবিটশিং আইদেন্টিফাই তৌরবা মতুংদা কেস অসিগী অপূনবা এক্যুইজ তরুক্কী মনুংদা এক্যুইজ নম্বর ৱান ওইরিবা পটনাগী রাজেন্দ্র নগরদগী রজনিজকুমার (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা মহেন্দ্র প্রসাদকী মায়কৈদা লেপ্লিবা দিফেন্স কাউন্সেল এন দিগেন্দ্রনা মহাকপু ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি।

পনবা য়াবদি, কার্টুন বোক্স তরেৎ পীক থনবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অদু জন্যুৱারী ১১, ২০১৩গী নুমিদাংৱাইরমদা মতম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরমখিবা স্পেসল ইন্টেলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) গী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ফাগৎখিবনি। অদুগা দ্রগশিং অদু শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখিবদগী পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিল্লক্লবা মতুংদা কেস অসি সী বি আইদা শীন্নখিবনি।

আই - ৩০ ব্লেন্দেদ লার্নিং সেন্টর লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা থা অসিগী ৩দা আই-৩০ ব্লেন্দেদ লার্নিং সেন্টর, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ লোঞ্চ তৌখ্রে।

আই-৩০ লার্নিং সেন্টর, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ওফিস রিমস রোদ অমসুং নগারমদা লৈ। লার্নিং সেন্টর অদু লোঞ্চ তৌরবা মতুংদা মিনিষ্টর রাজেননা সেক্রেটেরিয়েট হাউস ব্লোক্তা লৈবা কনফরেন্স রুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খি, আই আই টি, জে ঈ ঈ, এন ঈ ঈ টি প্রোগ্রাম পাম্বা ষ্টেট অসিগী টেলেন্ট লৈবা মহৈরোয়শিং ব্লেন্দেদ লার্নিং সেন্টর অসিনা ত্রেন তৌগনি। স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয় মঙা শেল তীংদনা আই থার্টি লার্নিং সেন্টরদা য়াওবগী খুদোংচাবা ফংগনি। মসিনা মেদিকেল অমসুং এঞ্জিনিয়রিং চঙনিংবা মহৈরোয়শিংদা কান্নবা ফংহনগনি।

আই-৩০গী ওনলাইন নৎত্রগা ওফলাইন ওইবা য়াই। লার্নিং সেন্টর অসিদগী লাপ্পা লৈবশিং ওনলাইন ক্লাসকী খুদোংচাবা ফংগনি। সেন্টর অসিগী টিচিং ফেকল্টিশিংগী মনুংদা মহৈরোয়শিং ত্রেনিং পীবদা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈথোই শিংথোইবগীদমক্তা সুপর থার্টি হায়না খঙনরবা অনন্দকুমার য়াওনা নীংথিনা ত্রেন তৌরবশিং য়াওরি। ক্লাস আইট, নাইন অমসুং টেনগী মহৈরোয়েশিং আই-৩০ লার্নিং সেন্টরদা ফাউন্দেসন কোর্সশিং য়াওবগী খুদোংচাবা পীগনি। থোইদোক হেন্দোকপা মহৈরোয়শিগী স্কোলারশিপ স্কিমশিংসু লৈরি। এগজামশিংদা মার্ক পার্সেন্টেজ খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিং লেম্না তম্নগী খুদোংচাবা পীগনি।

সেন্টর অদু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আই-৩০ লার্নিং সেন্টরগী সী ঈ ও এন ইন্দ্রকুমার, আই টি দিরেক্টর টি রোসনসু শরুক য়াখি।

মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ ...

লামায় ১গী মখা... কৈথেলদা লৈরবা এম দি অবদুল হসন (৩৪) অপোকপা এম দি ইতোনচৌ, ক্বাক্তা (বি) দগী লৈখিদ্রবা এম দি সহাবউদ্দিনগী মচানুপা এম দি সিরাজউদ্দিন (২৯), ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ৫দগী এম দি সমসুজমানগী মচানুপা এম দি জমারউদ্দিন (৫১), মফম অসিদগী মোইজিং মোহম্মদ সহাবউদ্দিনগী মচানুপা মোইজিং মৌলানা টাজউদিন (৩৪), লাইরেঞ্জম মখা লৈকায়দগী ৱাহেংবম নিংঙোল হৈরাংখোংবম ওংবী ইবেচা (৪৮) মপুরোয়বা ঐচ রোমেস অমসুং নম্বোল থোংখাদগী লাইতোঞ্জম নিংঙোল য়ূম্নাম ওংবী ইন্দুবলা (৪৬) মপুরোয়বা ৱাই থোইথোইনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ১৬ (২) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৩০৭, ৪২০, ৪৬৮, ৫০৬, ৩৪ আই পি সী, ১৩ য়ু এ (পি) এক্ট অমসুং ৪ এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টনি। পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অসিবু থা অসিগী ১০ ফাওবা নুমিৎ মঙানিগী ফর্দর পুলিস কষ্টদি পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি। অদুম ওইনমক কোর্টকী মায়কৈদগী পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র অদুবু অয়াবা পীরবসু শুপ্পতগী নুমিৎ হুমনিখক্তগী ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখি।

ঙসিগী পুলিসনা তৌরকখিবা ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র অদু কোর্টনা খন্নবগীদমক লৌখৎলকখিবা এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই ৬কী মায়কৈদগী পুলিসনা লৌরক্লিবা ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা মখোয়বু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা হায়জরকখি।

কোর্টনা বেল এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌরক্লবা কাউন্সেল অমসুং কোর্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম য়মুনাগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ক্ষেত্রিগাও অৱাং লৈকায়দগী এম দি সমির খান (৩৬) অপোকপা এম দি হেলিম খান অমসুং মোইরাং খুনৌদগী মোইরাংথেম রামেস (২৪) অপোকপা এম সোভাবুসু ফাগৎতুনা থা অসিগী ৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা লৈরিবনা ঙসি পুথোরক্লিবা মীওই ৬ অসিবুসু থা অসিগী ৮ ফাওবগী ওইনা ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীরে হায়খি।

লোয়ননা নুমিৎ অদুদা বেল পীবিয়ু হায়জরক্লিবা মীওইশিং অসিগী বেল এপ্লিকেসনশিং অদু খন্নগনি হায়বগা লোয়ননা মীওইশিং অসি নুমিৎতুগী নুংথিল পুং ২গী মমাঙদা কোর্ট অসিদা পুথোরকপগা লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী ওবজেক্সন রিপোর্টশিংসু ফাইল তৌরক্লবা দিরেক্সন পীখি।

চহী ৬০ হেল্লবা অমাইবা-অমাইবী...

লামায় ১গী মখা... টেম্পল বোর্দকী চহীগী বডজেট অসি হেনগৎহনবা, হৌজিক লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহীগী কমপ্লেক্স অসি হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা, শঙলেন অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপশিংনা চঙথোক-চঙশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি কোকহন্ননবা শঙলেন অসিগী তোঙানবা চঙফম লম্বী অমা থম্বীবা, লাইনিং লাইশোনগী অচৌবা ইন্সটিট্যুসন অমসু ওইরিবা শঙলেন অসিগী অকোয়বদা অমাইবা-অমাইবী, পেনা শৈশকপা, ৱারী লীবা, লাই হরাওবগী ৱার্কশোপ, ত্রেনিং তৌফম অমদি অরাপ্পদগী লাকপা লাইনীংলোইশিংগী লৈফম চাফম অমা থম্বীবা, চাক্লুক চাফম য়াওবা মতিক চাবা বিল্ডিং অমা শেমগৎপা অমসুং লাইনিংথৌ সনামহীগী শঙলেন অসি মপান্দগী লাকপা লম কোয়বশিংদা খঙহননবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসনশিংগী মনুংদা য়াওহনবীবা হায়বা ৱাফমশিং য়াওখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর ওইরম্বা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদসু অৱাবা ফোঙদোকখি।

এম পি এস দাইরেক্ট রিক্রুট অমসুং প্রমোটিশিংগী কেসতা সুপ্রিম...

লামায় ১গী মখা...

লোয়ননা মহাক্কী এদিসনেল এফিদেভিট অদুদা এপেক্স কোর্ট অসিনা নবেম্বর ১৯, ২০২০দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোকপা হৌরে হায়খি।

নাকল অমরোমদা, সিভিল কন্টেম্প পিটিসনগী পিটিস্নর নিঙম সিরো অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলগী মায়কৈদগীনা ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২১দা নোটিস অমা থোকখ্রে। নোটিস অদুনা চহী অনীগীদমক টেম্পররি পোষ্টশিং ক্রিএসন তৌখ্রে অমসুং মদুদা প্রমোটিশিংবু ইন-চার্জশিং ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে হায়খি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা মণিপুরী পুলিস সর্ভিস (এম পি এস) গ্রেট টু অসিসু এপ্লিকেবল ওইহনখ্রে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুগা সিনিয়রিটি লিষ্ট শেল্লকপদা হান্না লৈরম্বা সেরিএল নম্বরশিদা লৈখিদ্রবা দাইরেক্ট রিক্রুটশিংবু এম পি এস গ্রেট ৱানগী পার্মিনেন্ট পোষ্টশিং পুহন্দুনা থল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। কাউন্সেলনা মখা তানা কোর্টতা সবমিসন তৌখিবদা কোর্ট অসিনা পীখিবা জজমেন্টকী মতুংইন্না প্রমোটিশিংদা পর্মিনেন্ট পোষ্ট পীনবগীদমক দি পি সী অমা পাঙথোকফম থোকই হায়খি।

মদুগী মতুংইন্না দাইরেক্ট রিক্রুট অমসুং প্রমোটিশিংগী পোষ্টশিং পীবা য়াগনি হায়বা ওবজার্ভেসনসু থমখি।

কোর্টকী মায়কৈদগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মহুৎ শিন্দুনা লেপখিবা কাউন্সেলশিংদা মখোয়না মরী লৈনরিবা রেসপোন্দেন্টশিংদগী ইন্সত্রক্সন ফংদে হায়রগসু রেসপোন্দেন্টগী মায়কৈদগীদি এফিদেভিট ফাইল তৌরক্লে হায়বগা লোয়ননা চীফ সেক্রেটেরিগা হকথেংনবা ঙমদে হায়রবসু এফিদেভিটতি ফাইল তৌরক্লে হায়খি।

মসিনা কন্টেম্প সিভিল পিটিসন অসিদা প্রাইমাফেসি লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রদুনা রেসপোন্দেন্টশিংদা মখা তানা লৈরিবা ফীভমশিং অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরক্লবা খুদোংচাবা অমা পীরে হায়খি।

অদুম ওইনমক কোর্টকী মায়কৈদগী মমাঙদা লৈখিবা ফীভমশিং অদুগী মতুংইন্না সিভিল কন্টেম্প পিটিসন অসি এদমিট তৌরে হায়রদুনা মসিগী সেন্টেন্স হিয়ারিং থা অসিগী ৩দা পাঙথোক্লবগীদক লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। অদুগা নুমিৎতুদা সিভিল কন্টেম্প পিটিসন অসিগী কন্টেম্পনরশিং মখোয় মশামক্লা কোর্ট অসিগী ভর্চ্যুএল প্রোসিদিংদা এপিয়র তৌরক্লবসু খঙহনখি।

মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পনি লিমিটেড, ইম্ফাল

পব্লিক নোটিস

মতাঙনা

শেনবা চহী ২০২১ - ২২ গীদমক জোইন্ট ইলক্ট্রিসিটি রেগুলেতরি কম্মিসন মণিপুর এন্ড মিজোরামগী মফমদা এম এস পি সি এলনা ফাইল তৌখিবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিক্কায়রমেন্ট অমসুং টারিফ পেটিসন

১. দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনা মখা তানা শিজিন্নবগীদমক ষ্টেটকী মনুংদা পাৱর ত্রান্সমিসনগী থবক তৌরিবা দিম লাইসেন্সি ওইরিবা এম এস পি সি এলনা ইলেক্ট্রিসিতি এক্ট, ২০০৩ গী সেক্সন ৬২ অমসুং জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মখাদা শেনবা চহী ২০২১ – ২২ গী দমক ষ্টেটকী মনুংদা মৈ ত্রান্সমিসন তৌনবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিক্কায়রমেন্ট অমসু তারিফ এপ্লিকেসন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম, আইজোলনা ফাইল তৌখ্রে হায়না কঞ্জ্যুমর অমসুং ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্কী মফমদা খঙহল্লি।

কম্মিসন্না এম এস পি সি এলগী পেটিসন প্রোভিসনেল্লি এদমিট তৌরে অমসুং পেটিসন নম্বর ২ ওফ ২০২১ হায়না রেজিষ্টর তৌরে। শেনবা চহী ২০২১ – ২২ গী এ আর আরগী শন্নকপ অদু মখাগী টেবলসিদা পীজরি।

(লুপা কোতি)

সে নং	অকুপ্পা মরোলশিং	শেনবা চহী ২০২১-২২ (১২-০৩-২০১৮ এম ৱাই তী ওদর দা এপ্রুভ তৌরবা)	শেনবা চহী ২০২১-২২ (প্রোপোজড)
১	আর এন্ড এম খরচ	২৭.৭৯	১০.৫৬
২	এমপ্লোয়ি খরচ	৭৭.৪৬	৮৭.৭১
৩	এডমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং জেনরেল খরচ	৫.৩০	৬.০০
৪	দিপ্রিসিএসন	১.৬৯	১.৪৪
৫	লোন্দা ইণ্ট্রেষ্ট	-	-
৬	রিতর্ন ওন ইকুইটি	১.৫৬	১.৮৩
৭	ৱার্কিং কেপিটেলগী ইণ্ট্রেষ্ট	৬.৭৯	৫.০০
৮	ইনকম টেক্স	০.৪০	০.০০
	গ্রোস এ আর আর এমাউন্ট	**১২০.৯৯**	**১১২.৫৪**
৯	লেস: নন টারিফ ইনকম	৮.৬৮	১০.৬০
১০	লেস: এক্সপেন্সেস কেপিটেলাইজড	৫.৬৪	০.০০
	নেট এ আর আর	**১০৬.৬৭**	**১০১.৯৪**

জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মতুং ইন্না এম এস পি সি এলগী অপুনবা ত্রান্সমিসন কেপাসিতিদা লৌরিবা এন্সমিসন কেপাসিতিগী সেয়রদা য়ুফম ওইদুনা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টমশিংদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা ত্রান্সমিসন এ আর আর অসি লৌখৎকনি।

হৌজিকমক্তা ওইনদি এম এস পি সি এলদা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টমর অমখক লৈরি, হায়রিবা অসি দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনি, মদুদি এম এস পি দি সি এল হায়রিবা অসিনি। মরম অসিনা এম এস পি সি এলনা এম এস পি দি সি এলদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা অপুনবা ত্রান্সমিসন এ আর আর লৌখৎপগী অকুপ্পা মরোল মখাদা পীজরি।

শেনবা চহী ২০২১ -২২ গী প্রোপোজড ত্রান্সমিসন টারিফ

সে নং	অকুপা মরোল শিং	একজিষ্টিং শেনবা চহী ২০২০-২১	প্রোপোজড শেনবা চহী ২০২১-২২
১	রিকোভর তৌগদবা ত্রান্সমিসন এ আর আর (করিগুমবা এভাইলেবিলিতি অদু ৯৮% নোর্মেতিভ এভাইলেবিলিতিগা মান্নবা নৎত্রগা হেনবা মতমদা)	লুপা ৭৭.০১ কোতি	লুপা ১০১.৯৩ কোতি
২	এম এস পি দি সি এলনা পীগদবা থাগী ত্রান্সমিসন টারিফ (থা খুদিংগী লুপা লাখ)	থা খুদিংগী লুপা লাখ ৬৪১.৭৫	থা খুদিংগী লুপা লাখ ৮৪৯.৪৪
৩	এম এস পি দি সি এলগী এভরেজ ত্রান্সমিসন কেপাসিতি (মেগা ৱাট)	মেগা ৱাট ২৫৬	মেগা ৱাট ২৮০
৪	লোং তার্ম ত্রান্সমিসন য়ুজরশিংগীদমক মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী ত্রান্সমিসন টারিফ (লুপা লাখ)	মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ২.৫০	মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ৩.০৩

২. এম এস পি সি এলনা প্রোজেক তৌবা ত্রান্সমিসন লোস **– ৮.৫০%**

৩. মথক্কী পেরা-১ দা পল্লিবা ফাইলিঙ অমসুং এপ্লিকেসনগী কোপিশিং **মেনেজিং দিরেক্তর, এম এস পি সি এল, ইম্ফাল, মণিপুর** ওফিস্তা ফংবিগনি।

৪. থরায় য়াওবশিংনা মথক্তা পল্লিবা ওফিস অসিদা ওফিস আৱর মতমদা হায়রিবা এ আর আর অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিং পৈশা চঙদনা য়েংবা অমদি নোট লৌবিবা য়াগনি।

৫. পেটিসন খুদিংগী লুপা ৫০ শেল ওইনা নৎত্রগা দি দিগী খুথাংদা পীরবা মতুংদা মথক্তা হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিংসি মথক্তা পল্লিবা ওফিসসিদগী লৌবা য়াগনি।

৬. এম এস পি সি এলনা পীশিনবা এ আর আর ফাইলিং অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা লৈরবদি সপ্পোর্টিং মেটরিয়েলগা লোয়ননা **সেক্রেতরি, জে ই আর সি এম এন্দ এম, আইজোল, তি বি এল ভবন, ২-শুবা ফ্লোর, ই-১৮, পিটর ষ্ট্রিট, খৎলা, আইজোলদাকোপি মঙা** তাং ২৩/০৩/২০২১ ফাওবগী মনুংদা হকথেংন্না খুৎশিনবা নৎত্রগা রেজিষ্টর্দ পোষ্টকী খুথাংদা য়ৌহনবিগদবনি।

৭. **য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা** অদু **কোপি মঙা** থোক্লা পীশিনগদবনি অমসুং মপুং ফাবা মমীং অমসুং পোষ্টেল এদ্রেসকা লোয়ন্না নিংথিনা এভেষ্ট তৌবা এফিদেবিট অমা য়াওহনগদবনি। ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা কঞ্জ্যুমর ক্লাস অমা হেক্তগী মায়কৈদগী ফাইল তৌবা ওইরবদি মদু পনগদবনি। ওবজেক্সন অমসুং কমেন্টশিং পীরিবা মীদুনা পব্লিক হিয়ারিংদা মশামক লাক্তুনা য়াওবা অমসুং মশামক্কী ৱাফম তাহন্নীংবা পাম্বা অদুসু মরিক চুম্না পনগদবনি।

৮. মসিগী নোটিস অসিগী পাউখুম ওইনা পীশিল্লকপা অইবা ওবজেক্সন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অথন্নবা তারিখ অমদা হিয়ারিংগীদমক ওবজেক্তর অদু কৌরকপা য়াই, মসিগী তারিখ অসি কম্মিসন্না মতমগী মতুংইন্না খঙহনগনি।

মেনেজিং দিরেক্তর
এম এস পি সি এল
ইম্ফাল, মণিপুর

HL-B/6837/7&8

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 8TH MARCH 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011.
Resecaoal Manhunt Manipur 2014.
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015.
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
#7005622203, 6009124946
Computer Courses : Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March